## কংলাদা থৌরম পাঙথোক্লবগী অয়াবা লৌগদবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী ফীভমনা কংলা মনুংদা মীয়াম চঙথোক-চঙশিন তৌবদা অথিংবা থল্লকখিবা অদু কনাগুম্বশিংনা মফম অসিদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি/ গাইদলাইনশিং ঙাক্তুনা লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্কে হায়রবদি কংলাদা চঙবগী অয়াবা পীগনি হায়রি।

কংলা বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরিসু ওইরিবা কম্মিস্নর (আর্ট এন্দ কলচর) এম জয়না থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না কংলাদা লাইনীংগী মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকনীংবা মীওইশিংনা চঙবা য়াবগী অয়াবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ অদুগী নুমিৎ ৭নিগী মমাঙদা মাঙজৌননা অয়াবা লৌননবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## লাইরিক অনী ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : ইম্ফালগী ইরাবত ভবন্দা লৈবা প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুরগী সেক্রেটরি ইবোসনা খুমননা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ৬কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্টকী কুমঙাইপাৎ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা থম্বালখোং পঞ্চায়ট ঘরদা লাইরিক অনী ফোঙগনি হায়রি।

লাইরিকশিং অদু ওইনাম বুধিপতিনা ইবা 'নুংশিরবা ঐগী খুঙ্গং' অমসুং হেরোজিৎ পুখ্রম্বমগী 'নঙগী অয়েকপা শক্তম' নি হায়রি।

থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার অমসুং সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইরগা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা অথোইবা মীথুংলেন ওইগনি। অদুগা প্রোগ্রেসিব রাইটরস এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইমুজম রামেসচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইগনি।

## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM : 10/08/2020
BOOKING UPTO : 11/08/2020
BOOKING ONLY : 03852444677
ENQUIRY ONLY : 9436280866
TIMING : 8:00AM to 12:00NOON
(HOME DELIVERY ONLY)

**KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG**
Booking upto : 01/11/2020
Valid from : 17/10/2020.
Please Contact : 7085412119/ 7085411559
Time : 7:30am to 10:30am

**M/S K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.150 A&B of 18/09/2020
Valid from : 12/09/2020
Time : 7.30am to 11.00am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-15/10/2020
Valid from-24/09/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto : 19/09/2020
Valid from : 05/09/2020
***Stock : 383***
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12.00Noon
(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry, (Delivery within 4 days)

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 11/09/2020
VALID FROM : 31/08/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL 6009689299
FOR SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
FOR LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto : 20/10/2020
Valid from : 10/09/2020
***Stk. : 306***
(CallTime : 8.00am to 12.00Noon)
Home delivery only
93663 51735, 7005633725, 7005022459

## 'বাইওফ্লোক্কী থবক অসি থবক ফংদবা মীগীদি য়াম্না কান্নবা থবক্নি'

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী লাইরিক তম্লুরগা থবক ফংদদুনা লৈরিবা নহাশিংদা নীংথিনা ট্রেনিং পীবিরগা বাইওফ্লোক্কী ফিস ফার্মগী থবক অসি য়ুমথোং খুদিংদা লৈঙাক্লা মতেং পীদুনা তৌহনবা ঙল্লগদি মণিপুরদা চহী অমদা লুপা ক্রোর কয়া মপান লমদগী ঙা লৈবগী অরেম্বদা চাদিং তৌরিবা অসি কনবা ঙমগনি হায়না হৌজিক বাইওফ্লোক ফিস ফার্মগী থবক তৌবদা মায় পাকপা লম্বীগী মাংলোমদা চঙশিল্লক্লিবা থৌদাম সোভানা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মনং চনবা নহারুপ থোংখোঙ মনাক্কী নহারুপ মখা পাৎতা লৈবা থৌদাম ব্রজমনি, ওজা নিংথৌ হায়রগসু মীয়াম্না হেন্না খঙনবা অমদি থৌদাং ওংবী হৈক্রেজম নিংঙোল বিনা লৈমা অনীগী মচানুপা থৌদাম সোভাগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা মহক্লা হায়, মখোয়গী মমাং ইস্খোল মনুংদা অচৌবা পুখ্রি অমদা ঙা য়োকপদা নত্তনা মমাং চহীদগী মিটর মরিগী দাইমিটরদা টেঙ্কি মরি শেমদুনা বাইফ্লোক ফিস ফার্ম তৌদুনা লমদম অসিগী মাংশিল্লক্লিবা ইরমদমগী ঙাশিং য়োক্তুনা ঙায়োক অনীরক ফাদুনা লোকখ্রে।

মহাক্কী অশেংবা প্রোফেসনদি জর্নেলিষ্টনি, মসিগী মথক্তা য়ুমদা তৌবা য়াবা হায়রগদি বাইওফ্লোক অসি তৌবা য়াই, মসিনা য়ুমগী অৱাৎ-অপাসু য়েংশিনবা ঙম্মী। হৌজিক তৌরিবা বাইওফ্লোক অসিনা কয়া য়াম্না মীয়ামদা কান্নবা পীবা ঙমগনি খনবিবগে হংবদা মণিপুরদা মীয়াম্না কনজ্যুম তৌরিবা ঙা অসি হৌজিক ফাওবগীদি কোন্নদদুনা মপানগী ষ্টেটশিংদগী বরপ হাপ্লগা পুশিল্লক্তুনা চানরি। মসি খরতা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

কনাগুম্বনা শিনফম অসি তৌনিংলবদি ওজা সোভানা করি করি মতেং তৌবীবা ঙম্বগে, কনাগুম্বা বাইফ্লোক অসিবু ইন্টরেষ্ট লৈজবা থৱায় য়াওনা শিনফম অমনি খন্না তৌবদা মথৌ তাবা খুদিংমক মহাক্লা মতেং পাংবা ঙমগনি। থবক অসি তৌবদা মথৌ মমুৎ তানা খঙদবা য়াদে, ট্রেনিং অমদি সপোর্টকী তঙাইফদবা খুদিংমক মতেং পাংগনি। মসিগী শিনফমগী এক্সপার্টশিংনা ট্রেনিং অদুম চাং নাইনা পীরি। দরকারগী মতুং ইন্না মফম অসিদসু ট্রেনিং অদুম তৌরি।

বাইওফ্লোক টেঙ্কি অমা শেম্বা হায়বসি মী মীদুগী মফম হায়বদি স্পেস অদুগী মশাগী অপান্বা মখা পোন্না শেল চঙগনি। খুদম ওইনা মাগীদি স্পেস য়াম্না লৈতে অপীবা টু মিটরগী দাইমিটর অমখক তৌজগে নৎত্রগা ঐগীদি স্পেস খরা লৈ, খরা চাওবা ফোর মিটর দাইমিটরগী অমা তৌগে নৎত্রগা কনাগুম্বা অমনা ঐগীদি স্পেস মরাং কায়না লৈজে খরা হেন্না চাওবা ফাইভ মিটর নৎত্রগা সিক্স মিটর নৎত্রগা সভেন মিটর দাইমিটরগী তৌজগে হায়রগদি চাওবা পীকপগী মতুং ইন্না শেল চংবা খেন্নগনি। অদুমকপু য়াম্না কম্মন ওইনা শীজিন্নরিবা অসিদি ফোর/ফাইভ মিটর অসিনি। মসি অমা শেম্বদা মপান্দগী পোৎ-চৈ লৌবা অমদি লোকেলদা ফংবশিং পুন্না পারগা টেঙ্কি অমা শেম্বদা লুপা লিশিং ৪০ দগী ৫০ ফাওবা চঙই।

বাইওফ্লোক টেঙ্ক অমদা ফিঙ্গর ষ্টেজ হায়বদি খুৎশা মুক চাওবা উকাবি মচা লিশীং ৩/৪ রোম থাদবদা থা অহুম/মরিদা মপুং ফাদুনা য়োনবা মতমদা মোন মরিমুক থোকই। উকাবি কেজি অমদা লুপা ৫০০/৫০০ দা য়োনবদা লুপা ৮০,০০০ রোম ফংই। ঙা মচা অমদি মচীঞ্জাক লৈবগী শেনফম খায়দোকপ্পগা য়ামদ্রবদা লুপা ৫০,০০০ ফাওবদি লেম্মী। বাইওফ্লোক ফিস ফার্ম তৌনিংবশিংনা নহারুপ মখা পাৎতা লৈবা থৌদাম এক্কাকলচরগা তানবসু য়াগনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকপদা বাইওফ্লোক শাবগী মেটরিয়লশিং অসি মপান ষ্টেটতা অমদি মণিপুরদা ফংবা ঙাক্তনি। মমলদি ইশানা পাল্লিবা পাক চাওবা টেঙ্কি অদুগী মখা পোল্লি। টেঙ্কি মনুংগী অকোয়বা অদু মতাইদগী ময়াই সেন্টরদা হান্না ইঞ্চি মরি স্লোপ লৈরম্বা অদু ফিট অমা স্লোপ লৈবনা হেন্না ঙানা শান্নবা অমদি শেংদোকপদা কোম্না লোয়ননা ঙাগী মথি অমদি ঙা য়োকপগী ঈশিং অদুনা ইস্খোলগী মনা-মশিং থাবদা অমুক চাইবদা পাম্বীশিংগী দরকার লৈবা মচীঞ্জাক অদুসু ফংবনা পোৎ-চৈ থাবদা য়াম্না ফৈ।

শিনফম অসি মতৌ করম্না তৌগে হায়না খনবিরকখিবনো হায়না হংবদা সোভানা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরেন ফাবীদগী প্রেমজিৎ কৌবা অমা থেংনবদগী মহাক্লা ফজনা মায় পাক্লা বাইওফ্লোক ফিস ফার্ম তৌবগী ৱারী শানবদা থবক তৌবা য়াইনা মসি মায় পাক্লা তৌরগদি মণিপুরদা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা ঙাগী অৱাৎপসি খরতা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থবক অসি তৌবা হৌখিবনি।

বাইওফ্লোক ফিস ফার্ম অসি শেল ইচং চংদনা, লম য়াম্না লৈজদবা অমদি পুখ্রি তৌবগী মফমদি লৈজদবা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈবা মফমশিংদা ময়া পাক্লা তৌবা য়াবা শিনফমনি। মসি লমদম অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা মচা অমমমতা থম্বা ঙল্লবদি ঙাগী অৱাৎপসি মেনখৎপা ঙমগনি। ঐখোয়গী মপান লমদা চৎখিগদবা শেন্মিৎলোনসু কনবা ঙমগনি।

## মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং ফংহনবগী মরুমদা খূৎপু অমা লৈরব্রা : এম এস এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওফিস ঙসি খুরাই লমলোং কৈথেলদা লৈবা খুরাই গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুলদা লূপ অসিগী ফিরাল চিংখৎতুনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা হোংজিনখ্রে হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সুন্দর খুমন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট সজাদ ভুইয়াময়ুম, কোওর্দিনেটর এস রোসন, কোওর্দিনেটিং বোদি, খুরাই অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এন বোবিচান্দনা অথোইবা মীথুংশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম এস এফ এফেয়রস ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সনগী সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাসকী মীৎয়েং মখাদা চথুবা হৌগদবা ওরেন্টেসন প্রোগ্রাম ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সন হায়বা প্রোগ্রাম অমসু হৌদোকখি। প্রোগ্রাম অসি লমদমসিদা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয় নহারোলশিংনা মতৌ করম্না ময়াই কাবা অমদি হকচাং-ৰাখল লৌশিং শোকহনবা য়াবা মখলগী চিঞ্জাকশিংদগী লাপথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী খোঙথাংশিংগী মতাংদা খঙহনবা য়াবা থৌওংশিংসু খঙমিন্নবগী তুং কোয়না চথুগদবা প্রোগ্রাম অমনি হায়খি।

থৌরমসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় লূপসিগী প্রসিদেন্ট সজাদ ভুইয়াময়ুমনা ইরমদমসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবগী চৎনবী অমা নৌহৌননা হৌরক্লিবা অমদি লমদমসিগী মহৈরোয়শিংবু অরায়বা মওংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং লায়না ফংবগী ফীভম অমা লাক্লিবা অসিদা কনাগুম্বা খূৎকন পাঙ্গলবা খূৎপু অমনা মসিগী মরুমদা চাউনা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা মীয়ামদা পোক্লিবা অসিগী মতাংদা এম এস এফনা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## চেঙ হুরানবগী কেস অমা ফাইল তৌবীনবা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে : হেমন্ত

থৌবাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা পাওনম ব্রোজেননা লৈঙাক্কী মশীং য়াল্লবা এন এফ এস এগী চেঙবু খোংজোমদা লৈবা মরন্নাই চেক শাফমদা লোনা য়াদবা মওংদা পৈশিল্লম্বগীদমক খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্দা ঙরাং এফ আই আর অমা তৌবীনবা চেরোল পীশিনখ্রে। মহাক্কী মথক্তা অমদি মহাক্কী এজেন্টশিংদা পানগদবা কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী) গী সেক্সন ১২০-বি/৪২০/৪০৮/৪০৯/৩৪ আই পি সীনি হায়না আই এন সীগী কেন্দিদেটসু ওইরিবা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়খ্রে।

ঙসি মহাক্কী ময়ূমদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা হেমন্তনা মখা তানা হায়খিবদা, ঙসি এন এফ এস এগী ওভরওল কন্ট্রোলসু থৌবাল দি সীনা ওইবনিনা মহাক্কী মফমদসু ফোর্মেল কমপ্লেন্ট অমা তৌখ্রে। দি সী অমসুং ও সী অনীমক্তা কমপ্লেন্ট তৌবদা ইভিদেন্স ওইবা য়াবা ভিদিও ক্লিপশিং ৱাটসএপ্তা থাজিন্দুনা খঙহনখ্রে হায়খি।

হেমন্তনা মখা তারদুনা হায়, ব্রোজেনবু খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না দাইরেক্ট ফোর্মেল এরেষ্ট তৌগদবনি। পাওনম ব্রোজেনবু পুলিস ষ্টেসনগী লোক-অপতা থম্লগা ইলেক্সন থেংনহনগদবনি। মসি ঐহাক্লা হায়বা ৱাফমখক নত্তে, লোনা পীরিবা রাইট অদুবুনি, ঐনা দিমান্দ তৌরিবসি। ঐহাকসু ওপোজিসন পার্টিদা লৈবা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেটনি হায়দুনা ঐগী কমপ্লেন্টবু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীরাইবা য়ারোই। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, দি সী অমদি এস পি অনীনা অথুবা মতমদা স্পোটতা চৎতুনা প্রেস য়াওনা ৱেদ চথুগদবনি হায়খি।

## মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব মণিপুরনা 'মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ' হায়না পাঙথোক্তুনা লাকপগুম ঙসি মেরাগী পুর্নিমা নুমিত্তা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা ৪রকশুবা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট শমুরাইলাৎপম প্রহ্লাদ শর্ম্মানা অথোইবা লেংবীরকপা অদুগা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুরগী শক্লাইরবা খুমাবা অইবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা নত্তনা অশৈবা কয়ানা মশা-মশানা ইজবা শৈরেংশিং পাথোকখি। লোয়ননা ফাইন্দিং দ ভোইসেস হায়বা ফেসবুক পেজদসু মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুরগী লাইওইখ্রবা অশৈবা মঙাগী শৈরেং পাথোক্তুনা মালেমগী মফম কয়াদা চাইথোক্তুনা খুন্দাখ্রবা মণিপুরী কয়াগী মফমদসু তাহনবা ফংহনখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখিবা শমুলাইলাৎপম প্রহ্লাদনা হায়, মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ পাঙথোকপগী মরু ওইবা অমদি নুমিৎ অসিনা শৈরেং ইরিবা মীয়ামদা পীরিবা অচৌবা ইনোৎ অদু নৌহৌননা নীংশিংহনখি।

ক্লবকী প্রসিদেন্ট বুধিচন্দ্রনা হায়খি, মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ অসিগী মরু ওইবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লরক্লিবা অসিনা মণিপুরী খোরিরোলদা শৈরেংগী অচৌবা ইৱাই-ইনিল অমা পীবা ঙল্লগনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মশাগী চহী ৮১শুরবী হায়দ্রবাদতা লৈবী নুপী অমনা সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা শৈরেং পারকখিবা অসিমক মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎকী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## স্বাইন ফীভর বেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈথেৎতা লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এল ৱাই দি এ) অমদি দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস থৌবালগী জোইন্ট দিরেক্টরগী মখাদা লৈরিবা লৌরেম্বম আই সী দি পি এস সেন্টরগা খূৎশম্নদুনা খুঙ্গং অসিদা লোয়নরিবা ওক ৪০ রোমদা স্বাইন ফীভর বেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়না এল ৱাই দি এগী সেক্রেটরি সুরেস লুক্রামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা খুঙ্গং অসিগী য়ূম-য়ূমদা লোয়নরিবা হুই ৪৫দা য়াইরিপোক ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা এল ৱাই দি এ লাংমৈথেৎকী ভোলুন্টিয়রশিংগা লোয়ননা হীদাক কাপথোকখি। হীদাক কাপথোকপগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী পান্দমদি মায়কৈ অসিদা লোয়নরিবা শা, উচেকশিং মরু ওইনা হুই অমদি ওক্তা লাইহৌ হৌবনচিংবা লায়না কয়া নারক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক বেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি।

## মাইনোরিটিশিংগী য়াইফননবা অখন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* মাইনোরিটি মীয়াম্না ফংলম্বা কান্নবশিং অদু হৌজিক্তি ফংবা ঙমদ্রে। ডা. মনমোহন প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মাইনোরিটিশিংনা মখোয়গী মচা-মশুশিংগী য়াইফনবগীদমক মঙজরম্বা মঙলানশিং অদু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মতমদদি লৈত্রে। ঐখোয়গী মেন্যুএল লেবরশিংনা থবক কন্না শুবদগী লৈবাক অসি মপাঙ্গল কল্লিবনি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক্লা হায়রিবা লেবরশিং অসিবু মীনাই ওইনা শীজিন্নবগী থৌওং চথুরক্লি। মরম অসিনা মীয়াম্না কনাদা ভোট পীগদগে হায়বসি ৱাখল মুন্না খন্থবীয়ু। অফবা অহোংবা অমগীদমক ভোট পীগদ্রা, কোক নোল্লগা ব্লাইন্দ ওইনা ভোট পীগদ্রা হায়বদু মুন্না খন্থবীয়ু। কোংগ্রেসতা ভোট পীবা পীদবা থিদনা পার্টি অসিনা মতম পুন্বদা মাইনোরিটিশিংগী য়াইফননবা লেপ্তুনা লৈখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেসকী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরম্বা মীওই ৫গা পুন্না অব্দুল নাসিরসু বি জে পিদা য়াওননবা দিল্লিদা চৎখিবনি। অদুবু মহাক বি জে পিদা য়াওহল্লকখিদবা অসি মাইনোরিটি ওইরুবদগীনি। ইম্ফালদা হল্লক্লবা মতুংদা মহাক ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা থোক্লকখিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলমখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এম দি অলিমুদ্দিন য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া লিলোং এ সীদগী থোরকখ্রবনি। মরক্কী মীখল অসিদসু লিলোং এ সীগী মীয়ামগী য়াইফননবা থবক কয়া তৌরক্কদবা কোংগ্রেসকী মীরেপ এম দি অজিজুল হক খানবু থাগৎপীরকউ। কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদা মণিপুরগী এসেমব্লী সেগমেন্ট তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকখিবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী এ সীদগী অফস্পা লৌথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি করিগীনো হায়বদু মীয়াম্না খঙবীরো। চীফ মিনষ্টির এন বিরেননদি অব্দুল নাসির কথোকপনি হায়না লাউরি। অদুবু নাসিরদি কথোকপা নত্তে, কৎশিনবনি। মশাগী চহী ১১ শুবদা ক্লাস টেন পাস তৌই হায়রিবসি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈরল্লোই। লৈঙাক অসিনদি ঙাইহাক লৈতনা কোংগ্রেসনা চহী ১৫ পাল্লম্বদা করি থবক তৌরম্বগে হায়দুনা লাউরি। অদুবু নম্ফু-হাফুদা শেমখিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনদি হৌজিক ফাওবদা করিবু তৌরবগে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

আই এন সীগী মীরেপ এম দি অজিজুলল হক খাননা হায়খি, লিলোং এ সীদা অফবা অওনবা অমদি চাউখৎপা পুরকপা পাম্মী। মসিগীদমক লৈঙাক অসিদা হায়জরকপা মতমদা থওইনা লৌবীরক্তবদগী মীখল থেংননবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। করিগুম্বা মীখল অসিদা মায় পাকহনবীরবদি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রো, এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্র, এক্স-এম এল এ এম পৃথিবীরাজ, এক্স-এম এল এ অমিন সাহ অমদি এম পি সী সীগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## য়াইরিপোক্তা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯), ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) অমদি এসোসিএসন ফোর হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরস ওফ ইন্দিয়া (এ ঐচ পি আই) গা পুন্না খূৎশম্নদুনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা খুন-লৈকায়দা লেপ্তুনা পাঙথোরকপা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ঙসিসু য়াইরিপোক সিফাই লৈকায়দা সিফাই লৈকায় গাইদেন্স ক্লব, য়াইরিপোক্লা পুন্না এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে হায়না পি টি এফ সী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন চার্জ এন অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা পি টি এফ সী-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচা, আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন ডা. ৱাই মোহেন অমদি সিফাই লৈকায় গাইদেন্স ক্লব য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জাদুমনিনা রিছোর্স পর্সন অমদি প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা শিবগী চাং (মোর্টেলিটি রেট) অসি নোংম-নোংমগী হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইবা চাংদা হেনগৎলক্লি। পোজিটিভ রেট অমদি মোর্টেলিটি রেট অসি হন্থহন্নবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎপা চঙই। হৌজিক লৈরিবা হেল্থ ক্যের কেপাসিটি অসি হেনগৎহনবগা লোয়ননা মথৌ তারিবা ম্যেন পাৱর অথুবা মতমদা লৌরগা ত্রিটমেন্টকী শরুক্তা অহোবা লৈতনবা অচৌবা থবক অমা লৈঙাক্লা পায়খৎফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

পি টি এফ সী-১৯না চথুরক্লিবা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস পীবগী থবক মখা তানা চথুখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## হরিয়ানাদগী মমা মচা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মণিপুরদগী মফম খঙদনা মাঙখিবা মমা মচা অদু হরিয়ানাদগী ফংখিবগা লোয়ননা ঙসি দিল্লি পুলিসকী নোর্থ ইষ্ট রিপ্রজেন্টেটিভ অমসু ওইরিবী সোসল এক্টিভিষ্ট ময়াংলম্বম দাইনানা ঙসি অয়ূক এয়র এসিয়াগী ফ্লাইট অমদা ইম্ফালদা পুরক্তুনা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## তেংবাঙ পোৎলম অমসুং এম্বুলেন্স লেম্না ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : লোক জন শক্তি পার্টি ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা লমশাং এ সীগী সোসল ৱর্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মীতৈনা এ সী অসিগী মনুং চনবা কমেং ময়ায় লৈকায়না কন্টেনমেন্ট জোন ওইরকপদগী চঙবা থোকপা য়াদ্রবা মীয়ামগীদমক নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পীখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মায়োক্লরম্বা চৎথোক চৎশিনগী অৱাবশিংগীদমক লেম্না এম্বুলেন্সসু ফংহনখ্রে হায়রি।

## মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু : অটসুম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন) থাংতিনলেন হাওকিপনা থোরকখিবা চেরোল অমদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা সিটিশিংগী মহৈরোয় কয়া হন্নরক্তুনা মখোয়গী মখা তাবা ষ্টদি ষ্টেট অসিদা চথনবা থৌরাং তৌনরক্লে। লোয়ননা মখা তানা ষ্টদিগীদমক মহৈরোয়শিং ইমিগ্রেসন তৌরকপদসু খুদোংচাদবা লৈরে। মরম অসিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা মহৈরোয় অয়াম্বনা মীং চনবা ফংদদুনা চহী মাঙবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অসিনা লৈঙাক অমসুং মসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কোভিদ-১৯গী য়েংবীরগা মহৈরোয় পূম্নমক লাইরিক তম্বা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়রি।

## মফম কয়াদা খাউদোক্লবা ফৌবোমশিং ...

*লামায় ১গী মখা...*ওক্সু, তখেল, সঞ্জেন্থম য়ৌরবুং, পাঙ্গৈ, শগোলমাং, পুখাওনচিংবদা লৈবা লৌফম কয়া ফৌ মুনদুনা খাউদোক্লগা থম্বা ফৌবোমশিং ঈশিং থুমজিন্দুনা লৌথোকপা য়াদনা লৈরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লৌমী খরনা ফোঙদোরকপদা, কোন্থৌজম এ সীগী মনুং চনবা খাইদেম লৌকোল, খুম্বোং, ঙাইরাংবম, মোইদাংপোক, য়ুরেম্বম, সলাম, পাৎশোই, লমশাং, ফয়েং, ময়াংলাংজিং, লাংজিং, সঙাইপ্রৌ অমদি এয়রপোর্ট মমাঙনচিংবা এরিয়াদসু লৌ খাউদোক্লবা মতুংদা নোং তারক্তুনা ফৌবোমশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তৌবুল খোয়জুমান অমদি ক্বাকসিফাই এরিয়াদদি হান্না খাউদোক্লুরবা ফৌবোমশিং ঈশিংনা থুম্বদগী ফৌ অদু নৌনা মতোল চোংদুনা হৌরকপা ফাওবা য়াওরে হায়রি। কুম্বী এ সীগী মনুং চনবা সন্দেল লৌকোল, বোরায়াংবী জি পিগী মনুং চনবা এরিয়া, উঙম লৌকোল, ৱাঙু তেরাখোং, খজিংখোম্বী লৌকোল অমদি ৱাঙু জি পিগী মনুং চনবদা লৈবা লৌফম কয়া লৌ খাউরুবগা নোং অমুক তাবদগী ফৌবোমশিং ঈশিংনা থুমদুনা লৈরে। থৌবাল, ককচিং অমদি কামজোং দিষ্ট্রিক্ট মনুংদা লৈবা লৌফম কয়াসু খাউদোক্লুরবা ফৌবোমশিং ঈশিংনা অমুক থুমজিনবদগী ফৌ লোকপা য়াদনা লৈরে। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চীংখোং ময়াগী পাৎলৌ খরদি ঈশিংনা থবাক য়ৌবদগী পোং শারগা ঈশিংদা কুমদুনা ফৌ খাউরি হায়রি।

অহল ওইরবা লৌমী খরনা ফোঙদোরকপদা, হন্দক চহীদি ফৌ খরা লোক্কদ্রা হায়না খল্লম্বনি। অদুবু ফৌ পাম্বী পোমশাৎনরকপা মতমদা মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বা ৱাহিকনা চাদা ২৫ অমুক চিক্তুনা মাঙহনখ্রে। ফৌ মুল্লবা মতুংদা হৌজিক ফৌ খাউদ্রিবা অমদি খাউদোক্লবা লৌফমশিং ঈশিং থুমজিনবা কয়া য়াওরকপনা মেছিন চঙদুনা খাউবা অমদি য়ৈবা য়ারোইদৌরি। ফৌ অয়াম্বা চরোং তেক্লগনি। মদুনা অমুক চাদা ৫০ রোম মাঙলগনি। লৌমীশিংনা ফংগদৌরিবসি চাদা ২৫ রোমদা ঙাইরে। মসিসু তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি। মরম অসিনা লৌমীশিংদি খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : বিহারদা ইলেক্সন দ্যুটিগীদমক চৎখিবা রাইফলমেন নম্বর ১১২০১০১১০১৩ (এদহোক কম্পেনি-এ) জি নবকান্তনা ঙরাং লৈখিদবদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## লাইভ ফোন ইন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০১(ঐচ এন এস) : দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী হকশেলগী পাউজেলগী প্রদ্যুসরসু ওইরিবা প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ টি ঐচ ব্রজবিধুনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিদা হকশেলগী পাউজেল লাইভ ফোন-ইন প্রোগ্রামগী থৌরম মঙা পাঙথোক্কনি হায়রি।

প্রোগ্রামশিং অদুদি থা অসিগী ২গী নুংথিল পুং ৫.৩০ দগী ৬.৩০ ফাওবদা রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর অমসুং হেদ আর কে লেনিনগী অঙাংশিংবু করম্না লোয়নবীগনি (পার্ট থ্রী), থা অসিগী ১১দনা অমেরিকান ইন্সটিট্যুট ওফ ওনকোলোজি, সজিৱাগী কন্সলটেন্ট সিনিয়র ওনকোলোজিষ্ট ডো. টি ঐচ তোমচাগী ক্লম কেন্সর, থা অসিগী ১৬তা শিজ হোস্পিটালগী পেদিয়াত্রিক্স অমসুং নিওনাটোলোজিগী কন্সলটেন্ট ডো. য়াইখোম্বা তাওরেমগী চিলদ্রেন্স বেক্সিনেসন দ্যুরিং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক, থা অসিগী ২৩দা রিমসকী ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনাকোলোজিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডো. আর কে প্রানেশ্বরিগী প্রেগনেন্সি দ্যুরিং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমসুং থা অসিগী ৩০দা রিমসকী নেফ্রোলোজি দিপার্টমেন্টকী এসোসিএট প্রোফেসর ডো. তখেল্লম্বম ব্রোজেনগী কিদনি দিজিজেস এন্দ ইটস প্রিভেন্টিভ মিজর হায়বসিনি হায়রি।

## ইরং থোং তেকপদগী ইম্ফাল জিরি ...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরগা লম্বী অসিদা পেসেঞ্জর অমদি পোৎ-চৈ পুদুনা চঙলকপা গাড়ীশিং রেংপাং ফাওরগা খৌপুম অমদি বিষ্ণুপুররোমদা চৎনবা য়াওরি। রেংপাংদগী খৌপুম তাবা লম্বী অসিদি খরা ঙম্বা মফম য়াওবা মরম্না পোৎ অরুম্বা পুবা গাড়ীশিং চৎপদা খুদোংচাবা ৱাৎলি হায়রি।

ইরং থোং তৎতুনা ট্রক অমা তুরেলদা তারে হায়বা পাউ হেক তাবদগী থৌদোক থোকফম অদুদা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱর্কর য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মৈতৈনা লুচিংবা টিম অমা মফমদুদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। অনিলনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭তা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মমাঙগী থোং হৌজিক ফাওবা লান্নদুনা চৎলি। অদুবু মতমগা চুনবা আর সী সী ব্রিজ অমা শাবা ঙমদনা লৈবা অসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি।

হায়ৱে অসিগী ফীভম ফত্তনা লৈরিবা লম্বী-থোংশিং অসি এন ঐচ আই দি সী এল অমদি বি আই পি এলনা মতম চানা য়েংশিনবীদবদগী মীয়াম্না অমদি দ্রাইভরশিংনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী এন ঈ সী-টু দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বিষ্ণুপুর নুংবা রোদতা রেংপাংদগী কিলোমিটর ১৯.৭০ রোম চৎলগা ইরং তুরেলগী মথক্তা লৈরিবা ভেলি ব্রিজ অসিগী মেক্সিমম লোদ কেপাসিটি অসি টন ২০নি। মরম অসিনা হায়রিবা ভেলি ব্রিজ অসিদা গাড়ীগী অরুম্বা য়াওনা টন ২০ দগী হেনবা গাড়ীশিং লানবা য়ারোই হায়না খঙহল্লক্লি।

## মীওই ২৪৮ নৌনা পোজিটিভ ওইবা...

*লামায় ১গী মখা...* মশাগী চহী ৪০ শুরবা নুপা ১ লৈখিদ্রে। মীওই ৩ অসি জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশিং অসি ১৭১ শুরে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিংনা ১৮,৭৫০ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৫,৯৯০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৬০ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশিংনা ১৫,০৬৫ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১২,৬২৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৪৪২ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮০.৩৪ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ৩৫১৪ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩২০০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১৪নি।

মীওই ২০৩ সু ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি হোম আইসোলেসন্দা লৈরকখিবা মীওই ৯৭, জেনিমসতগী ১৭, রিমসতগী ১৪, এল কে কেদগী ১৩, য়ুনাক্লোদগী ১৪, লানভাদগী ৩, কাংপোকপীদগী ৬, তমেংলোংদগী ১১, জিরিবামদগী ৫, জে এন ভি চান্দেলদগী ৩, লমদিংদগী ২, আর দি ৱিংদগী ১, বিষ্ণুপুরদগী ১৩, সধভাবনাদগী ৩ অমসুং বালভবনদগী ১ নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।